ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯰꯹, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯱꯹ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, নবেম্বর ০৯, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ২১৯ শুবা মশীং

এন দি টি ভি অমসুং প্রটিদিন
টাইমস ঙসি নোংমা থিংননবা
ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং
মিনিষ্ট্রিনা লৌখিবা ৱারেপ অদু
য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা
ঙসিগী এদিটোরিএল
হাংহঞ্জরে।

# বন্দদা বন্দ ব্লোকেদতা ব্লোকেদ

চাইথোরকপা ৱাখল
নরেন্দ্র নিঙোম্বা


***মণিপুর*** নুঙাইখ্রবা লমনি। পেন্দবনা চয়োম শাদুনা য়োমশিল্লগা লৈবা, কাঙলুপ ফুরুপ খুদিংমক মাগী মাগী দিমান্দ লৈবা, পুবা থাংবা ঙমদবা ৱাকৎ চবুন ময়াম্না কোকথোং ফাবা লমদমনি। কাঙলুপ য়াম্মী, ফুরুপ য়াম্মী, পূন্নদি খুন্দা লৈতামিন্নে, পূনবদি য়াদে। পূনবদি মাল্লি, থম্মোয়দি তিন্নদে। অমনা অমা হায়নি অমনা অমা খুমনি। অমনা লৈতুম ৱাৎতে। হুন্দোক-হুঞ্জিন, থোমদোক-থোমজিন্দা মমৈ মকোক খঙদবমখৈ মফোন থোক্লবা লমদম অসিদা ইমা লৈবাক হায়না ঐখোয়না ইকায়খুম্নরিবা ইমানা করম্না খাঙলমগদগে হায়বা ঙমদে। চরৈ ফিমন শেৎপী, মীনাই নাইথাং ওইবী ইমানি হায়না শৈথানৈ। মীনাইদু কনাগী মীনাইনো থিদোক্তে কনামত্তনা। ইমানা ওইরিবা মীনাইসি মচা কাঙলুপ য়াম্না পোকপী ইমাগী মচা ময়ামগী মীনাই ওইরমদৌ মাল্লি, হায়বদি ঙমদে, হায়রুরগা নঙনা করি খঙই হায়রক্কনি। পংহাই হায় শাবনি, ৱাবদি ওন্থোক্লা ৱারল্লগনি ইমাদো। উনরদি নোংমতং, “ইমা নঙবু মীনাই ওইহনবদা ঐদি য়াওদে, নচা ময়ামসিগী মরক্তা মবুক শেংদবা নোংমা নোংমগী মশীং হেনজিল্লকপনা ইমা নঙনা নোংমা নোংমগী মীনাই য়োৎহ্লিং কোৎহ্লিং কারকপনি, কারক-কারক লাকশিন্দুনা ইমাবু ফিমন শেৎহনবনি, ঐবুদি ৱারৌনুকো হায়না” অমুক্তং থেমনীংই।

ইমানা অহিং খুদিং কৈথেল মচি মচিদা কপ্পী হায়রিসি কপফম থোক্তে, করম্বা ইমানা সিগুম্বা সিচুয়েসন অসিদা নোকপা ঙমদোইনো? চাওখ্রবা ইমাগী তম্পাক অসিবু মখোয় মশেন য়েন্থোক্লদুনা ঐগীনি ঐগীনি হায়না কনশিন্নরিবসিবু কনানা করম্বা মতমদা মখোয়গীনি হায়না য়েন্থোক্লম্বা লৈরবগে? য়েল্লম্বা তারবদি মদু তন য়েনখিবা য়োং খদ্রক্লা তৌবা ওইরমগনি, থোইদোক্লা লুনা খনফম থোক্তে। অসিমক্তদা অমনা অমদা তোংশিন্দুনা ইমাবু ফৈজে চিংনবা হোৎনরক্লিবা অসি তৌবা ঙম্বা কনানো অমা থোরক্তুনা মখূৎ মখূৎশিংদু য়ৈথৎলগা ফগদৌবনি। অসুক নুংশিননা লৈমিন্নরম্বগী পুৱারী লৈরিসিবু অমতা পানদ্রবরা খঙদে। মৈতৈ কাঙবুনদি চহী লিশীং অনীগী পুৱারী লৈরবনি হায়, চেনা অমতা ওইরসু ফাক্তুনা নোংমতা ওইরসু ঐখোয় করম্না হৌরকপনো হায়দুদং ওইরসু খঙনরদি ফদৌবা। পুৱারী পাজগে খঞ্জবা হৌরকপা নহা মখৈ, খাবৈ খারা শাবা কাঙবু খরনা লাইরিক মুনবিখ্রবনিনা হৌরকপা নহাশিংসু তিঙক-মায়ঙক্লরে। হৌজিক মণিপুরগা ইন্দিয়াগী মপান লমগা শম্নরিবা লম্বী অনী অসিদা ব্লোকেদ তৌশিল্লি। জিরি মায়কৈদসু ব্লোকেদ/বন্দ। দিমাপুর লম্বীদসু ব্লোকেদ/বন্দ। অমতগা নত্তে মনম মনমনি। করম্বগী ব্লোকেদপু ইনগদবনো খঙদে, মাগী ইল্লুরে অমনা অমুক শাওরক্কদরা, মাগী ইল্লুরে অমনা ৱারৌগদ্রা তম্পাক লমদা লৈবশিং মকোক মমৈ খঙদ্রে। মখোয়না লান্না চিনফা পুবা অমা লৈরি - হায়ৱেদা বন্দ/ব্লোকেদ তৌরদি মোইনা পাম্বা দিমান্দ ফংই, ফংদ্রসু খন্ননবা তাঞ্জা ফংই হায়না। মসিদি অরানবনি। মখোয়গী ৱাখলসি শেংদোকপা চঙই। ইশম শম্না হায়রবদা মখোয়গী থৌওংসি হ্যুমেন রাসটতা চাওনা শিংনবনি, ক্রিমিনেলনি, মী হাৎকে হায়বনি। নেসনল হায়ৱেদা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌবা য়াদে হায়বা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল লৈ হায়, মণিপুর য়ৌরকপা ঙমদে। মণিপুরদা পাউ ওইনা য়ৌরসু থবক ওইনা উদে। কনানা তৌহনদবনো? ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট, ষ্টেট গভর্ণমেন্ট করি তৌরি, কনা য়েংলি, চাগৌ য়েংঙিব্রা, চগা কানি হায়সি কাওবা মাল্লি। য়াম্না নোকনীংইদি, ব্লোকেদ তৌবা কাঙবু অমনা মিদিয়াগা “ঐখোয়না ব্লোকেদ তৌরিবনিনা নখোয় হন্দোক্লে” - “ঐখোয় হন্দোক্লে” গাইনা ফোঙবগসু য়াওরিয়ে। অমা হন্দোক্লসু অমদি অদুম লেঙদনা লৈহৌবা। হামু-হামু অদুম তাবা। মসি য়াম্না নোকনীংই। লন্নাই ওইনা ৱারী শানবা য়ারবা, কৈমতা তৌরোই, খূৎলায় নুংলাই শীজিন্নরোই, ৱারৌ পুরৌ লৈনরোই হায়রদি ফজনা চা অমা থকমিন্নরগা তথি তথিনদুম হায়নীংই। কৈদৌবগী ব্লোকেদনো হায়না।

মণিপুরদা হৌজিক তৌরিসি লৈঙাকসু তৌফম খঙলম্মোই। অমনা অমা হায়জিল্লক্কনি, অমনা অমা হায়জিল্লক্কনি, অমগীদা য়ারে, অমনা শাওনি, অমগীদা তোংলে অমনা থাঙ হাইগৎলক্কনি। মণিপুরদদি সোরারেনগী নিংথৌ লাইজাও লাক্লবসু পানবা ঙম্মোই। য়াম্না শাথিবা লমনি। হায়দোক্লিংদবা ৱারম য়াম্না লৈ, হায়রুরগা ৱারৌনগদবা লৈবনা হায়দি হায়ররোই, অমতা মবুকচেল শেংদে। পুকচেল চাওথোক্লদে। লৈঙাক্তা নুঙাইনবা দিষ্ট্রিক্ট মশীং খরা হেনগৎকে হায়বসি অমসু অমসু য়াফম থোকই, মণিপুর মনুংদা ঐখোয়গী লমনি, মখোয়গী লমনি, নখোয়গী লমনি হায়বা লৈফম থোক্তে। মণিপুরদি মণিপুরনি। মণিপুরগী লমনি, কনামতগী নত্তে। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা য়ানবা পোরম নত্তনা তুং কোয়বা ঙম্বা য়ানরোল অমা ফাওবা পুরকপা ঙমদবা লমসিবু করি লমনো? মসিগুম্বসি মালেমসিদা লৈরমগদ্রা? হংবা য়াবা ৱাহংনি। খোইদৌ হেক থিৎলিসি, হায়ৱেদা ব্লোকেদ তৌবসিনি। কৈনোমতা তৌবা য়াদে ব্লোকেদ, ঐনগা চিনসি থিগনবা অচোই অপা ঙাঙগনবা ওইরদি চিন থিরদৌনি, খরা ঈং তপচবসিদা থোইদোক্লা কা হেন্নদি হায়নীংদ্রে। ব্লোকেদ শুংতৌ তৌগনু, লাইনা য়ারোই। নোংমাইজিং খুদিংদা, লাইশঙ খুদিংদা চৎতুনা লাই খুরুম্মীদু মী হাৎকে হায়না খুরুম্বগা মান্ননি। তৌহৈদবা থবকনি। হৌজিক ব্লোকেদ তৌরিবশিংনসু থুনমক হন্দোকউ মীওইবগী অৱাবা য়েংলগা, মীওইবগী মীনুংশি য়েংলগা। চিনদা অফবতা ঙাঙবা থবক্লা ফত্তবতা তৌবসিবু করম্বা লাইনীংগী লাইরিক্তা য়াওবগে?


য়োখোক লান হায়বা অমা লৈ। মদু মমৈদা ইচম চমজবা মীয়াম্না অরোইবা উপাই ওইনা শীজিন্নরকপা য়াই। মতাংদু য়ৌরবদি নাতৈ কয়া চানরোই, মীশি মীনা য়াম্না য়াওনরক্কনি। মীওইবগী খাঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল অমা লৈনৈ। পাঙ্গলদুগী ৱাংমা লাল্লকপদা ৱাখল খন্নবা ঙমদবদগী য়োখোক লান হেক লাক্লদি মণিপুর ফৈজে চৎকনি। মদু তৌহন্নীংদে। হৌজিক মণিপুরদা ১১ শুবা জেনরেল ইলেক্সন লাক্কদৌরে। ইলেক্সন মমাঙসিদা তাহৈ তাহৈদবা কয়া হায়দুনা, পোলিটিকেল গেইন ফংনবা কাঙলুপ খরনসু লাল্লোং শিল্লকপগুম্না তৌরিবসি তুং কোয়বা য়ারোই। মদুনা হেন্নদুম তুংদা খুদোংথিবগী ফীভমদা লাক্কনি। য়ারগদি অসিগুম্বা দর্টি পোলিটিক্সশিং অসি তৌনরোইদবনি। মালেমদা হৌখিবা ঈহৌ খুদিংমক ৱারী শান্নরগা লোইশিন্নখিবা ঙাক্তনি। ৱারী শানৌ। ৱারী শান্নবা থোরকউ। পেন্নদবা করিনো তানৌ, অদুগীদমকপু গভর্ণমেন্ট হায়না লৈরিবনি। গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগা ৱারী শান্নরোই, ঐখোয়না তৌরিবসি নখোয় অদুম য়াও হায়রগদি গভর্ণমেন্ট শীংজু শোইবগুম শোইবা য়াই। অদুমকসু নত্তেদনা। গভর্ণমেন্টনসু হায়রি, ৱারী শান্নসি, পেন্নদবা পূম্নমক ৱারী শান্নরগা তাথোক তাশিন তৌনসি হায়না। শ্বাইদনা অমা হায়রগা অৱাংবা য়ৌখ্রগনা থোকঅবা মা হেক্তা তৌবা, ইশম শম্নৌ য়াদবা লিচৎশিং অসি থাদোক্তুনা হেন্না ফগদবা তুং কোয়বা য়াগদবা কাঙলোন অমদা মীয়াম্বু লমজিংবনা হেন্না অশিংবা অমদি লুচিংবা অমগী মতিং থোকপা থবক ওইফম থোকই। য়ূমদা লৈজবা পঙজবা, ইচম চমজবা কয়া খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরগা মণিপুরবু মথক মখা ওন্থোক্লবা হোৎনরিবা থৌরাংশিং খুদক্তা লেপ্তুনা ৱাজরিবা ইমাগী মীৎলু পিরাং তৈথোকপা মতম য়ৌরে। পূম্নমক ৱাখল তামিন্নদুনা অপূনবগী শক্তম শাগৎপনা মীনসু লাইনসু উশিৎকনি। হৌজিক তৌনরিবা থৌওংসিদি, মীনসু ৱারকনিংবা, লাইনসু ৱারকনিংবা হায়দু থোক্লে।

# বেক্তরিয়াশিংবু মায়থীবা পীনবা অনৌবা লাল্লোং



এন্টিমাইক্রোবিএল পেপ্তাইদনা মহীকশিংগা লান্থেংনবগী থৌওং


তুনিকেত হায়না খঙনবা সমুদ্রদা লৈবা জীব মখল অমা


*Staphylococcus aureus* হায়বা বেক্তরিয়াশিংনা কেথেতর অমদা শেম্বা বাইওফিল্ম

সাইন্সকী খোঙচৎ
কুঞ্জো নাওরেম

**এন্টিবাইওটিক** নৎত্রগা এন্টিমাইক্রোবিএল হায়বসি বেক্তরিয়া, কোকফাই-সুজা অমদি পেরাসাইটকুম্বা মহীকশিংবু হাৎননবা হীদাক অমনি। অদুবু হীদাক অমা মতম কুইনা শীজিন্নরকপা মতমদা মহীকশিংদুগী জিনশিংদা তপ্না তপ্না অহোংবা থোরক্তুনা মহীক্তু হীদাক্তুদা রেসিষ্টেন্ট ওইরকই হায়বদি হীদাক্তুনা মহীক্তু হাৎপা ঙম্লক্তে। এন্টিবাইওটিকশিংবু কাঙলোন চুম্না শীজিন্নদবা, কা হেন্না শীজিন্নবা নৎত্রগা অখঙ-অহৈ দাক্তরশিংগী অইবা চে য়াওদনা এন্টিবাইওটিকশিংবু হেক্তা চাশিনবসিনা রেসিষ্টেন্ট ওইহল্লকপদা মতেং পাঙই। মসি য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওই মরমদি মসিনা অনাবা মীদুবু লায়েংবগী মতম শাংদোকহল্লি, শেল হেন্না তিংহল্লি অদুগা শিবা য়াবগী চাংসু হেনগৎহল্লি। য়ুনাইটেদ কিংদমদা থিজিনখিবা অমগী মতুং ইন্না, রেসিষ্টেন্ট ওইরবা হীদাকশিংসিগী মহুত্তা অনৌবা হীদাকশিং পুথোকপা ঙমদ্রগদি কুমজা ২০৫০ য়ৌরকপদদি চহী খুদিংগী মীওই মিলিয়ন ১০ মুক্তি রেসিষ্টেন্ট ওইরবা বেক্টরিয়াশিংনা হাৎকনি হায়না ফোঙদোকখি। ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গেনাইজেসনগী মতুং ইন্না চহী খুদিংগী মালেমগী ওইনা মল্টি-দ্রগ রেসিষ্টেন্ট টি বিনা নারবা মীওই ৪,৮০,০০০ রোম থেংনৈ হায়রি। অসিগুম্বা রেসিষ্টেন্ট ওইরবা মেলেরিয়া, ইনফ্লুয়েঞ্জা, ঐচ আই ভিগী কেসশিংসু লৈরিবনি। অদুনা হৌজিক্তি তোঙানবা লায়েংবগী কাঙলোনশিং পুথোরকপগী মথৌ তারক্লি। মসিগী লমসিদা থিজিনবগী থবক পায়খৎলকখিবা মসাচুসেটস ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এম আই টি) গী থিজিল্লোয়শিংনা বেক্তরিয়াশিংবু খুদুম চনশিনবগী অনৌবা কাঙলোন অমা পুথোকপা ঙমখ্রে হায়না ‘সাইন্টিফিক রিপোর্টস’ কী নবেম্বর ২ গী চেফোঙদা ফোঙদোকখ্রে।

এন্টিমাইক্রোবিএল পেপ্তাইদ (এ এম পি) হায়বসি ভাইরস, কোকফাই-সুজা অমদি বেক্টরিয়াশিংবু মাঙহনবা ঙম্বা মহৌশাদা ফংবা প্রোটিন অমনি। প্রোটিনসি জীবশিংগী ইম্যুন সিষ্টেমদা মরুওই হায়বদি মহীকশিংদগী ঙাকথোকচনবগীদমক জীবা খুদিংমক্লা এ এম পিশিংসি শুংজবা ঙম্মী। এ এম পিশিংনা মহীকশিংবু তোঙান-তোঙানবা মওং কয়াদা হাত্তোকই। খুদম ওইনা, মখোয়না মহীক্তুগী সেলগী মেম্ব্রেন্দু হুত্তোক্তুনা মনুংদা চঙখ্রগা দি এন এ, আর এন এনচিংবগী মথৌদা অকায়বা পীদুনা হাত্তোকই। অতোপ্পা অমরোমদনা এ এম পিনা ইম্যুন সিষ্টেমগী ল্যুকোসাইট হায়না খঙনবা সেলশিংদা থৌদারগা শীজিন্নবা ঙম্মী। ল্যুকোসাইটশিংনা থাদোরকপা কেমিকেলশিংনা মহীকশিংদুবু হাৎতোকই। হীদাকশিংনা মহীকপু হাৎপা ঙম্লক্তবগী থৌওং কয়া থেংনরকপদগী থিজিল্লিবা সাইন্টিষ্টশিংনা এন্টিবাইটিক্কী মহুত্তা অসিগুম্বা পেপ্তাইদশিংবু শীজিন্নদুনা মহীকশিংবু হাৎপগী মঙ মঙবা হৌরকখি। মঙ অদু ঙসিদি মঙফাউনরে হায়বা য়ারে। মরমদি এম আই টি, য়ুনিভর্সিটি ওফ ব্রাসিলিয়া অমদি য়ুনিভর্সিটি ওফ ব্রিটিস কলম্বিয়াগী থিজিল্লোয়শিংনা জীন্দা শেমদোক্লবা এন্টিমাইক্রোবিএল পেপ্তাইদ অমা পুথোকপা ঙমখ্রে। পেপ্তাইদসিনা এন্টিবাইওটিক রেসিষ্টেন্ট ওইরবা মহীকশিং য়াওনা অতোপ্পা বেক্টরিয়া কয়াবু মাঙহনবা ঙম্মী হায়রি। পেপ্তাইদসি মরুওইনা এন্টিবাইওটিক রেসিষ্টেন্ট ওইরবা মহীকশিংবু হাৎননবগীদমক পুথোকপনি হায়না এম আই টিগী পোষ্টদোক Cesar de la Fuente না ফোঙদোক্লি।

প্রোটিনশিংবু শেমগৎ-শাগৎপগী থবকসি এমিনো এসিদশিংনা তৌই হায়বদি প্রোটিন হায়বসি এমিনো এসিদশিংগী চেইন (সিক্বেন্স) অমনি। মহৌশাদা ফংবা পেপ্তাইদ প্রোটিনশিংদা তোঙান তোঙানবা এমিনো এসিদ ২০ ফাওবা য়াওবা য়াই। মরম অসিনা পেপ্তাইদশিংসিদা য়াওরিবা এমিনো এসিদশিংগী সিক্বেন্সশিংদা লৈরিবা খেন্নবা (ভেরিএসন) শিংদু খঙদোকপা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই। অদুগুম্বা সিক্বেন্স অদু খঙদোক্লগা ঐখোয়না পাল্লিবা পেপ্তাইদ সিক্বেন্সতু খূৎশেমগী পাম্বৈনা শেল্লগা পাল্লিবা থবক্তু তৌহন্দুনা মহীক্তু হাৎপা য়াই। মসিনি হন্দক ইনষ্টিট্যুট অহুমগী থিজিল্লোয়শিংনা পাঙথোকখ্রিবসি।

থিজিল্লোয়শিংনা থিজিনবসিদা অহানবগী ওইনা Clavanin-A হায়না খঙনবা এন্টিমাইক্রোবিএল পেপ্তাইদসি শীজিন্নখি। পেপ্তাইদ মখলসি সমুদ্রদা ফংবা টুনিকেট হায়রিবা জীবদুদগী শুংবা য়াই। পেপ্তাইদসিনা বেক্তরিয়া মখল কয়ামুক মাঙহনবা ঙম্মী। অদুবু থিজিল্লিবা সাইন্টিষ্টশিংনা পামখিবদি পেপ্তাইদসিগী এমিনো এসিদকী সিক্বেন্সপু শেমদোক্তুনা বেক্তরিয়া হাৎপদা হেন্না মগুন লৈহনবদুনি। মহৌশানা এন্টিমাইক্রোবিএল পেপ্তাইদতা পোজিটিভ চার্জ পুবা শরুক অমা য়াওই। মসিনা মহীক্কী সেল মেম্ব্রেনবু হুৎপা ঙমহল্লি। অদুগা হায়দ্রোফোবিক ওইবা (ঈশিংগা তিন্নবা য়াদবা) শরুক অমনা সেল মেম্ব্রেনগা ইন্টরেক্সন তৌহন্দুনা মেম্ব্রেন ফাউদুনা চঙখিবদা মতেং পাঙই। থিজিল্লোয়শিংনা হায়দ্রোফোবিক ওইবগী চাং হেনগৎহল্লবদি মহীক হাৎপা ঙম্বগী শক্তি হেনগৎকনি হায়না খল্লম্মী। অদুনা জীবদুদগী ফংলিবা পেপ্তাইদতা য়াওরিবা এমিনো এসিদকী সিক্বেন্সতা অনৌবা এমিনো এসিদ মঙাখক হাপচিন্দুনা হায়দ্রোফোবিক ওইবগী চাং হেনগৎহল্লম্মী। অসুম্না খূৎশেমগী এমিনো এসিদ হাপচিল্লবা অনৌবা পেপ্তাইদসিবু clavanin-MO হায়না খঙনৈ। মসিনা বেক্তরিয়াশিংবু মাঙহনবদা হেন্না শক্তি লৈরম্মী। থিজিল্লোয়শিংনা উচিদা চথখিবা চাংয়েংশিংদা, অনৌবা পেপ্তাইদসিনা এন্টিবাইওটিকশিংদা রেসিষ্টেন্ট ওইরবা *Escherichia coli* অমদি *Staphylococcus Aureus* কী ষ্ট্রেইনশিংবু হাৎপা ঙমখি। রেসিষ্টেন্ট ওইরবা বেক্তরিয়াশিংনা নাহল্লবা উচিশিংদু হৌজিক ফংলিবা এন্টিবাইওটিকশিংনা ফহনবদা ৱারবা ঙাক্তনি। অদুবু ক্লাভানিন - এম ও শীজিন্নদুনা লায়েংবদদি য়াম্না লায়না ফহনবা ঙম্মী হায়না ‘সাইন্টিফিক রিপোর্টস’ কী পাউদমদুদা ময়েক শেংনা পল্লি।

কনাগুম্বা অমবু বেক্তরিয়া মখল অমনা নাহল্লকপা মতমদা মীদুগী ইম্যুন সিষ্টেম্না মহীকশিংদুগা লান্থেংনৈ। মতমসিদা ইম্যুন সিষ্টেমগী অকনবা নৎত্রগা হেঞ্জিনবা রিএক্সন্না মরম ওইরগা মীদুগী অতৈ টিসু অমদি ওর্গানশিংদা অকায়বা পীরক্তুনা খুদোংথিনিঙাই ওইবা ফীভম কয়া ওইরকই। ফীভমশিংসি লাইহৌ হৌবা, থম্মোয় খপ্পা অমসুং শ্বর হোনবগী চাং থুগৎলকপা অমদি লোকখুবনচিংবা ওইবা য়াই। মসিবু ইম্যুন সিষ্টেমগী ইনফ্লেমেটরি রেস্পোন্স হায়না খঙনৈ। অসিগুম্বা থৌওংসিবু সেপসিস হায়না খঙনৈ। মসি অতৈ মহীকশিংনা নাহনবদসু থেংনৈ। অসিগুম্বা ফীভমসি এন্টিবাইওটিকশিংনা থেংনবা ঙমদে হায়বদি ফহনবা ঙমদে। অদুনা অনা-অয়েক য়াওরকপদা এন্টিবাইওটিক চানা চানা লাইহৌ, লোক খুবা, চিকপা-নাবা ফহন্নবা হীদাক চাবগী মথৌ তারিবনি। অদুবু শেমদোক্লবা এন্টিমাইক্রোবিএল পেপ্তাইদশিংসিনদি সেপসিসকী ফীভমসি থোকহনেদ মরমদি কা হেনবা ইম্যুনগী রিএক্সনসি থিংদুনা থম্বা ঙম্মী। অদুনা ক্লাভানিন-এম ও হায়রিবা খূৎশেমগী পেপ্তাইদসিনা রেসিষ্টেন্ট ওইবা অমসুং ওইদবা মহীকশিংবু হাৎপগা লোয়ননা ইম্যুন সিষ্টেমগী কা হেনবা রিএক্সনবুসু থিংলি। অদুনা কাঙলোনসিনা লায়েংবা তারবদি অনাবদুনা লাইহৌ, লোক খুবা অমদি অতৈ এন্টি ইনফ্লেমেটরিগী হীদাকশিং চারুদ্রবসু য়ারে। অদুনা লায়েংবদা হেন্না কোমহনবগা লোয়ননা শেল তিংবা অমদি খাংবা ৱাবগী চাংসু হন্থরগনি।

বাইওফিল্ম হায়বসি মহীকশিংনা অমগা অমগা শমজিন্নদুনা লৈবা নৎত্রগা করিগুম্বা লৈমাই অমদা শন্দোক্তুনা নপশিল্লগা লৈববু খঙনৈ। বাইওফিল্মসি থৱায় পানবা নৎত্রগা পান্দবা মহৌশা, অনা লায়েংশঙ, ওফিস, ইন্দষ্ট্রি নৎত্রগা করিগুম্বা মফম অমদা হেক্তা শেল্লকপা য়াই। রেসিষ্টেন্ট ওইরবা বেক্তরিয়াশিংবু হাৎপা অনৌবা পেপ্তাইদসিনা অকক্লবা বাইওফিল্ম খরবুসু মাঙহনবা ঙম্লে হায়না থিজিল্লোয়শিংনা ক্লেইম তৌরি। মসিনা মরম ওইরগা হৌজিক বাইওফিল্মশিংনা থোকহনবা ইনফেক্সন কয়াবুসু লায়েংবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরবা য়াই হায়রি। খুদম ওইনা, সাইষ্টিক ফাইব্রোসিসনা নারবা অনাবশিংদা নাগনবা *Pseudomonas aeruginosa* গী ইনফেক্সনবু মাঙহনবা ঙমগনি হায়রি। খূৎশেমগী এন্টিমাইক্রোবিএল পেপ্তাইদ অসি অতোপ্পা লম কয়াদসু শীজিন্নবা য়াগনি। হকচাং মনুংদা থিংজিন্দুনা শীজিন্নগদবা কেথেটরশিং খুদম ওইনা নিদলদা এন্টিমাইক্রোবিএলগী মরোলশিং হাপ্তুনা কেথেটরদা মহীকশিংগী বাইওফিল্ম শেমহন্দবা ঙম্লগনি। মসিনা শেল তিংনা ষ্টারিলাইজ তৌবদগীসু কনবা ঙম্লগনি। অসিগুম্বা পেপ্তাইদশিংসি উনশাদা নাবা অনাবশিং লায়েংনবা মোলোমশিংদা হাপ্পা য়াবগী ওইথোকপসু লৈ। হৌজিক্কী ওইনদি পেপ্তাইদসি মীওইবদা শীজিন্নবদি ওইদ্রি অদুবু মসি মীওইবদা চাং য়েংবদসু শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## মোবাইলনা থোকহনবা চৈথেং

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**মণিপুরদা** অহানবা মোবাইল থোক্লকপা মতমদা লমদম অসিগী মীয়াম্না মোবাইলবু অরাপ্পা অমদি অনকপদা লৈবা মীওইশিংগা পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌননবগীদমক্তা লৈদুনা শীজিন্নরম্মী অদুবু হৌজিক্কী মতমদদি ভিদিও কেমেরা, ওদিও প্লেয়র, ইন্টরনেট অমদি অতৈ মখল কয়াগী প্রোগ্রাম য়াওবা মোবাইলনা ৱাই চাইরক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা চহী নৌরিবা-নৌরিবী কয়ানা মোবাইলবু লান্না শীজিন্নদুনা মখোয়গী পুন্সি লমখাংদা মাঙবা য়াবগী অচৌবা মচাক কয়া অমসু ওইহল্লি।

নাকল অমরোমদনা লাইরিক লাইশুদা থৱায় য়াওজবা কয়াদি মখোয়না করিগুম্বা অমা খঙলক্তবা মতমদা মোবাইলগী খুথাংদা ইন্টরনেটতা য়েংদুনা মখোয়গী চমম্নবা কয়া অদু কোকহনবদা চাউনা মতেং ওইনরি। অৱাবা পোথাবা ওইনা ঈশৈ ঙৈহাক তাবা নত্তনা অতোপ্পা অরানবা মায়কৈদা শীজিন্নদে। মসিনা মখোয়গী পুন্সিবু অচুম্বা লম্বীদা লমজিংবদা অচৌবা মতেং অমসু ওইহল্লি।

অমরোমদা অমুক ময়ূম মকৈ পাল্লবা অমদি পান্দ্রিবা নুপা নহা কয়ানা নুপী ওইবী কয়াগী পুন্সিবু মোবাইলগী মতেংনা নুংশি লাংদা থুহল্লবা মতুং নুপী ওইবী কয়াগী ঈজৎ তেমশিংনবদা নত্তনা মখোয়গী পুন্সিবু লমখাংদা মাঙহল্লম্বগী পাউ পাউচে অমদি ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াগী খুথাংদগী তোয়না তাবা ফংলি। পূম্নমক অসি থোক্তনবা মোবাইল শীজিন্নরিবশিংনা কাঙলোন চুম্না মোবাইল শীজিন্নদুনা মোবাইলনা পীরিবা চৈথেংশিংদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনরসি।

*অদোমগী - এল প্রেমচন্দ্র মীতৈ*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩০

১। ‘থোং নম্বোনবী’ কৌবা শৈরেংগী লাইরিক্তু কনানা ইবনো?
২। ‘পুন্সিনা পুন্সিগীদমক’ কৌবা রেদিও দ্রামাগী লাইরিক্তু কনানা ইবনো?
৩। “শৈরেং অমা উমদুনা/অসুম চৎলি অসুম অসুম/শৈরেং অমা...।”
অইবী (কবি) নুপী কনানা হায়বনো?
৪। "Behind a curtain" হায়না ইংরাজিদা লাইরিক ওইনা হন্দোকপা অইবদু কনানো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১১, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।